## মোরেদা পুলিসনা চেক তৌবা লেপত্রি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা ম্যানমারদগী ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং চঙলকপা থিংনবা মোরে পুলিসনা টিম অহুম খায়দোক্তুনা জে বায়তে, সব ইন্সপেক্তর মোরে পি এসনা লুচিংবা টিম অমনা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী খুবম মনাক্তা লৈবা মোরে পুলিসকী মেন চেক পোষ্টতা মোরেরোমদগী থোক্লকপা গাড়ীশিংদা ম্যানমারদগী লাকপশিং য়াওরকপ্রা হায়দুনা চেক তৌখ্রে।

গাড়ীশিংদা তোংলকপা পেসেঞ্জরশিং মাগী মাগী শক্তাক চে য়াওরমদবশিং অমুক হলহনখি। ইন্দো-ম্যানমার ফ্রেন্দসিপ গেট নম্বর টুদা সব ইন্সপেক্তর ৱাই রোমেসনা লুচিংবা টিম অমনা ম্যানমাররোমদগী চঙলকপা মীওইশিংদা অরাকনশিং য়াওব্রা হায়দুনা চেক তৌবা হৌখ্রে। গেট নম্বর ১, ৩, ৪ দা এম দি অকবর হুসেন, সেকেন্দ ও সী মোরে পি এসনা লুচিংদুনা চেক তৌখি।

নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ রোম তারকপদগী মোরে পুলিসনা ম্যানমারদগী লাকপা ম্যানমরিজশিংবু মশাগী মরমদমদা অমুক হনখিনবগীদমক নুমিৎ খুদিংগী পেট্রোল্লিং চৎলম্বা অদুদা অরাকানশিং চঙলকপা য়াই হায়বা তোকঙা শনে দারকপদগী অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা সব ইন্সপেক্তর মরিনা লুচিংবা টিমনা বোর্দর এরিয়াদা পেট্রোল্লিং চৎখি।

ইন্দো-ম্যানমার ফ্রেন্দসিপ গেট নম্বর ১, ২, ৪ দা নেসনল সিক্যুরিটি ওইরিবা ১১ শুবা এ আরনসু শক্তাক চে য়াওদবা মীওইশিং চঙলকপা চেক তৌরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মোরে পুলিস অমসুং ১১ শুবা এ আরনা বোর্দর এরিয়া অমসুং বোর্দর মপানদা লৈবা চেক পোষ্টনচিংবা লোয়ননা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা লৈবা ১২ শুবা এ আরগী মোটোর ভেহিকলনা চেক তৌরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীওই অমত্তা চঙলকপা লৈত্রি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## ট্রেনিং হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ ইনলেন্দ ফিসরি ট্রেনিং সেন্তর লম্ফেলদা একাদেমিক সেসন ২০১৭-১৮ গী চহী অমগী সর্টিফিকেট কোর্স ইনলেন্দ ফিসরি দিভলপমেন্ট এন্দ মেনেজমেন্ট থা অসিগী ১৫ দগী হৌরগনি হায়না দিরেক্তর ওফ ফিসরিনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

কোর্স অসিগীদমক কেন্দিদেট ৪০ খনখ্রে। খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা কোর্স অসিগীদমক থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা ফিসরি রিসর্ছ এন্দ ট্রেনিং সেন্তর লম্ফেলপাৎ সনা কৈথেলগী ফিসরি ওফিসরদা রিপোর্ট তৌগদবনি। খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা লাক্কুবদি কোর্স অসিদা ইন্ট্রেই লেত্রে হায়না লৌখিবা লোয়ননা মখা তানা নোটিস পীদনা কক্কনি। কোর্স অসিগী সীট কেপাসিটি ৪০ নি হায়নসু মখা তারি।

## মীটিং পাঙথোক্লদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): চাইল্ড লাইন এডভাইজরি বোর্দ, ইম্ফালগী মেম্বরশিংনা থা অসিগী ১৬ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ দা দেপ্যুটি কম্মিস্নর ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকপগী কুমজা ২০১৭-১৮ গী বোর্দ মেম্বরশিংগী অহানবা মীটিংদা শরুক য়াবীয়ু হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নর ইম্ফাল ইষ্টনা নোটিস থোকখ্রে।

## ঙা মচা থাদগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): কংলা পার্ককী থাঙ্গপাৎতা হয়েং তোঙান তোঙানবা ঙা মখল, রৌ, কাটলা, মিরগাল, গ্রাস কার্প, সিলভর কার্প পুম্না লীশিং ৩০ থাদরগনি হায়না ফিসরিগী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হয়েং পি দল্লিগী দি মমাং অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মমাং থংবা শরুকী কংলা পার্ক, থাঙ্গপাৎতা ৱাটর বোদি ব্যুটিফিকেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙা মচা থাদগদৌরি।

## মতম শাংদোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): গর্ভন্মেন্ট কোলেজশিংগী প্রিন্সিপালগী পোষ্টকী এপ্লিকেসন পীশিনবগী মতম থা অসিগী ২৫ ফাওবা শাংদোক্লগনি মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননা ঙরাং ফমখিবা মীফমদা লেপ্পুখ্রে হায়না কম্মিসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

GAS TODAY
SAWOMBUNG INDANE SERVICE
Booking Upto:01/05/2017
Valid From:24/04/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 10.00am

# নুমিৎ মঙানিগী ওইবা পোট্টরি ক্রাফটসকী ৱার্কশোপ কম এগজিবিসন লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন্না শীন্দুনা নুপী লাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা চথরকখিবা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ৱার্কশোপ কম এগজিবিসন ওফ পোট্টরি ক্রাফট ওফ মণিপুর ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থা অসিগী ৮ দগী চথরকখিবা এগজিবিসন অদু লোয়শিনবগী থৌরমদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল দিরেক্তোরেটকী দেপ্যুটি দিরেক্তর (হেন্দিক্রাফট) ঈ জিতেন্না চীফ গেষ্ট, দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর হেন্দিক্রাফট মিনিষ্ট্রী ওফ টেক্সটাইলগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর এম সঞ্জিপ কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

হেন্দিক্রাফট প্রোজেক্ট দিরেক্তর ইম্ফাল ৱেষ্ট থৌনাওজম সুমিলা অমদি দি আই সীগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর এনজি থোইথোইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ঈ জিতেন্না হায়খি, লৈবাক্লা চফু শাবা মণিপুরগী কয়া য়াম্না লৈরি অমদি কয়া য়াম্না মাঙখ্রে হায়বা খঙননবা হোৎনবা তঙায়ফদে। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু হোৎনরি। নেসনলগী ওইনা তেরাকোটা ইন্দষ্ট্রিসু চাউখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয়গীসু শেমগৎনবা হায়রকপা লৈরিবনি। ঐখোয়গী হান্নদগী লৈরক্লবা দিজাইনশিংদগী অনৌ অনৌবা পুথোকপা চঙই।

লৈবাক্লা শাবা পোৎলমশিং অসিদা দিজাইনগী অৱাৎপা লৈরবসু দিজাইন পীননবা অমদি ইক্যুপমেন্টনচিংবা পীননবা হোৎনগনি। তেরাকোটা ইন্দষ্ট্রিনা শেম্মু হায়রকখিবা হপ্তা অনী শুরবনি।

হয়েং উখ্রুলদা চৎলগা চফু শারিবশিং য়েংশিল্লগনি। সেনাপতিগী ওইনামদা লৈরিবশিংসু য়েংগনি। মথংদা অন্দ্রো, চাইরেন, থোংজাওদা চৎকনি। চৎপা মতমদা ভিদিও কোভরেজ য়াওগনি। মখোয়গী খুদোংচাদবা অমদি অপাম-পামদসু ৱারী শানগনি। লৈবাক্লা চফু শাবা মফম য়ামদবনা কুইনা চঙলোই। অথুবদা লোয়শিন্দুনা থারগনি। লৈবাক্লা শাবা চফুশিং মপান লৈবাক্তা য়োনবা য়ানবা হোৎনগনি। টুরিষ্ট ময়াম লাকপদা অপাম্বা কয়া থিরকপদা পীবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম সঞ্জিপ কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, খুৎশা হৈবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। ৱার্কশোকপ, এগজিবিসন তোয়না শীনবা চঙই। অসিগুম্বা এগজিবিসন পাঙথোকপা অসিনা ক্রাফটসকী এৱ্যেরনেস হেনগৎকনি। মসিনা বিনিফিসরিশিংদা কান্নবা ফঙহন্দুনা চাউখৎপা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনসি।

সেন্ট্রেল গর্ভন্মেন্টকী স্কীম ময়াম অমা লৈরি। মতম মতমগী লাক্লিবা ক্রাফটসকী ওইবশিং অসি নীংথিনা পায়খৎনবা হোৎনসি। ক্রাফটস একচেঞ্জ প্রোগ্রাম্নচিংবা শীনবা তারবদি পোখোক পুথোক্লিংবগী ৱাখল লাক্কনি। মসিনা ইনকমসু হেনগৎলক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা থৌনাওজম সুমিলানা ফোঙদোকখিবদা, অপুনবা থৌনা অমগা লোয়ননা অসিগুম্বা একজিবিসন পাঙথোকপা অসি নুংঙাই। চফু হায়বসি ইপা-ইপু হাক্তক্তগী চৎনরক্লবনি। চফুদা থোংবা মতমদা য়ুম মাঙবা তারবদি থুগায়রগা অনৌবা চফু শীল্লিবনি। মসিনা চফুগী পোখোক হেন্না পুথোক্লম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইন্সপেক্তর হেন্দিক্রাফটস দব্লিউ জদুমনিনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, লৈবাক্লা শাবা চফু ঙাক্তগী ওইনা পাঙথোকপা অসি অফবা অমনি। এগজিবিসন অসিদা মীয়াম্না দিজাইন কয়াগী অপাম্বা অমদি সজেসন পীবসি য়াম্না নুংঙাই। পোৎ লৈরিবশিংনসু শারিবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবা ফঙই। মথংদদি চফু ঙাক্তগী ওইবা একজিবিসন অমা শীন্নবসু হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ষ্টেট অসিদা এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর ৩২১ হাঙদোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): সক্সার ভারত (লিটরেট ইন্দিয়া) প্রোগ্রামগী মখাদা এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর ৩২১ চান্দেল, সেনাপতি, তেংনৌপল অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কুমজা ২০১০ গী জান্যুৱারিদগী চলায়দুনা লাক্লি।

এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর ৩২১ অসিগী মনুংদা সেন্তর ২০ দি মোদেল এদল্ট এদ্যুকেসনগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখ্রে। মদু কন্তেনর কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী শেলগী তেঙবাংগা লোয়ননা থবক ওইনা পাঙথোকখিবনি। এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তরশিং অসি গ্রাম পঞ্চায়ট লেবেল খুদিংমক্তা হাংদোক্তুনা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎনবা হোৎনবনি। এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তরনা সেন্তর অদুদা লাইরিক হৈতবা অহল ওইরবা মীওইশিংবু লাইরিক ময়েক চৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লি। লাইরিক ময়েক চৎতবা মীওইশিংবু লাইরিক ময়েক চৎহন্দুনা বেসিক এদ্যুকেসন ফঙহন্দুনা তাকপী তন্বীনবা হোৎনবগা লোয়ননা এগ্রিকলচর, এনিমেল হাজবেন্দরি, হেলঠ, এদ্যুকেসন, রুরেল দিভলপমেন্ট, ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিলভপমেন্ট, সেদ্যুল কাষ্টশিং, সেদ্যুল ট্রাইবশিং, ও বি সীশিংগী য়াইফনবা অমদি পঞ্চায়তি রাজ অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা য়ুন্ফম ওইবা লোকেল দিমান্দশিংগী খুখাংদা লাইরিক ময়েক চৎহন্নবা পান্দমগী মখাদা চথরকপনি।

লাইব্রেরি অমসুং রিদিং রুম, গ্রুপ দিস্কসনগী মফমশিং, ভোকেস্নেল এন্দ স্কীল দিভলপমেন্ট অমসুং দিপার্টমেন্ট কয়াগী এক্সটেন্সন ফেসিলিটিশিং অমদি শান্ন-খোৎনববু চাউখৎহন্নবা হাঙদোক্লিবা মফমশিং, রিক্রেসন অমসুং কলচরেল এক্তিভিটিশিং অমসুং কম্পোজিৎ ইনফোর্মেসন ৱিন্দোজগী খুখাংদা অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট কয়াগা লোয়ননা মতম মতমগী ওইবা প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌবালদা মোদেল এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর মঙা, এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর ৬৪, চান্দেলদা মোদেল এদ্যুকেসন সেন্তর মঙা, এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর ৫৯, সেনাপতিদা মোদেল এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর মঙা, এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর ১৪২, তমেংলোংদা মোদেল এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর মঙা অমসুং এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর ৫৬ হাঙদোক্লি।

সক্সার ভারতি অসি সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর স্কীম অমনি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসি, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা কুমজা ২০০৯ গী সেপ্তেম্বর ৮ দা লোঞ্চ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, প্রোগ্রাম অসিনা রিদিং, রাইটিং অমসুং এরিথমেটিক্কী পান্দমদা নেসনেল লিটরেসি মীসননা পায়খৎলকপা প্রোগ্রামগী মতুং তাবদা চথরকপনি। মরুওইনা অহল ওইরবা, লাইরিক ময়েক চৎতবা মীওইশিংবু লাইরিক ময়েক চৎহন্নবা পান্দমদা পায়খৎপনি। চহী ১৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা লাইরিক ময়েক চৎতবা মীওইশিংবু লাইরিক ময়েক চৎহন্নবা হোৎনবনি। লিটরেট ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব, মাইনোরিটি অমসুং অতোপ্পা শোথহৌরবা কাঙলুপশিংগী নুপীশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা লৈঙাক্লা লাইরিক ময়েক চৎহন্নবা প্রোগ্রাম অসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা স্কুল এদ্যুকেসন, হেলথ, ন্যুট্রিসিন অমসুং স্কুল দিভলপমেন্ট, নুপীদা অহেনবা শক্তি পীনবা হোৎনবা, নুপীশিংবু লাইরিক ময়েক চৎহন্দুনা অতোপ্পা খুন্নাইগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনবনি।

লিটরেট ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসিদা মরুওইনা থল্লিবা পান্দম মরিদি, রিদিং, রাইটিং অমসুং এরিথমেটিক খলহন্দুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবনি অমসুং চাউখৎপা পুরক্তুনা মীওই অমবু মশাগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা ঙম্নবা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংদা শরুক য়াহনবনি। বেসিক এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম অসি লাইরিক ময়েক মপুং ফানা চত্তবা মীওইশিংবু বেসিক লিটরেসিগী লৌশিং ফঙহন্দুনা ফোর্মেল এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা পুরক্নবা হোৎনবনি।

ভোকেস্নেল এদ্যুকেসন চঙশিল্লকপা মতমদা লাইরিক ময়েক চত্তবশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অদু শাফনবা মখোয়গী হিংবগী পুন্সিরোল ফগৎহন্নবা, ভলুন্টরি এজেন্সীশিং, জন সিক্সক সন্থান অমসুং কন্তিন্যুয়স এদ্যুকেসন প্রোগ্রামগী খুখাংদা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপনি। মহৈ-মশিন হৈরবা খুন্নাই অমা শেমগৎতুনা লাইরিক ময়েক চৎতবশিংবু লাইরিক ময়েক চৎহন্দুনা কান্নবা ফঙহন্নবা পান্দমদা চঙশিনবনি।

লাইব্রেরি অমসুং রিদিং রুমশিং অতোপ্পা কন্তেম্পররি আই সী টি দিভাইসশিং এদল্ট এদ্যুকেসন সেন্তর খুদিংমক্তা ফঙহল্লি। মদুগী মথক্তা পাউচেশিং, টি ভি, কেবল অমসুং মোবাইলশিং ফঙহন্দুনা অমগা অমগা ঈ-পাউ ফাওনবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌরি। চাউখৎ থৌরাং অসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং, খুলগী মীওইশিং পুন্না য়াওশিন্দুনা লাইরিক ময়েক চৎপা, লাইরিক লাইশু হৈবা লৈপাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

## দ্যুটি হায়বসি প্রোফেসন ...

*লামায় ১গী মখা...*থবক অসি নীংথিনা তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

রিমসকী দেন্টেল কোলেজগী টোপ্পর ওইবা মহৈরোয় অহুমদসু মনা মথুম য়েন্থোকখি। মনা অসি রিমসকী ডা. টি নবচন্দ্রনা স্পোন্সর তৌবনি। গ্রেজুয়েসন সেরোমোনি অদুদা রিমসকী সুপরিনটেন্দেন্ট, ফেকল্টি, ডোক্তর অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

## কেবীনেটনা ইমপ্লোয়ীশিংগী দি ...

*লামায় ১গী মখা...* ওইরম্বদগী লুপা ২১,০০০দা হেনগৎহল্লগনি হায়রি। মিনিমম পে হেনগৎহন্নবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

মতম শাংনা ঙাইনদুনা লাক্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা জুন থাদা শেমদোক শেমজিন খরা তৌরগা ৭শুবা পে কম্মিসন্না এলাৱেন্সকী মতাংদা পীখিবা রেকমেন্দেসন অয়াবা পীখিবনি। ৭শুবা পে কম্মিসন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী এলাৱেন্স ১৯৭ কুপ্পা য়েংশিল্লবা মতুংদা এলাৱেন্স ৫৩ মুখৎলগা এলাৱেন্স ৩৭পুনা অতোপ্পা এলাৱেন্সশিংদা পুনশিন্নবগী ৱাফম রেকমেন্দ তৌখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন কেবীনেটনা ভারত সঞ্চার নিগম লিমিটেদ (বি এস এন এল)গী মোবাইল টাৱর তোখায়না খাইদোক্লবগী মতাংদা অয়াবা পীখ্রে।

হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মোবাইল টাৱর ৪,৪২,০০০গী মনুংদা ৬৬,০০০তি বি এস এন এলগীনি। মোবাইল টাৱর তোঙান্না খাইদোকপগী থৌওং অসিনা বি এন এন এলগী ইনকম হেনগৎহল্লগনি হায়না থাজনরি।

## পঞ্চায়ট মীখল নুমিৎ ছুটি ...

*লামায় ১গী মখা...*ইমপ্লোয়ীশিংনা মশা মশাগী ভোট থাদবগী রাইট অদু ফঙজনবগীদমক নুমিৎ অসিদা ছুটি থাবনি। পঞ্চায়ট এরিয়াদা লৈবা বেঙ্ক অমদি ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুটশিংসু পঞ্চায়ট মীখল নুমিৎ অসিদা ছুটি ওইগনি। লৈঙাক্কী ওফিস, বেঙ্ক, প্রাইভেট সেক্তর অন্দরটেকিংগী ইমপ্লোয়ীশিংনা মীখল নুমিৎ অসিদা স্পেসল কেজ্যুয়েল লিভ লৌবদা অয়াবা পীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ৱারোইশিন পুরক্লমদাইদা খুরৌ ...

*লামায় ১গী মখা...* ওইনা শকখঙবীনবগী পান্দমদা লৈখিদ্রবা আইজাক চিসি সু অমদি টি ঐচ মুইভানা কুমজা ১৯৯৭তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবনি।

কুমজা ২০০১দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাগা তাবা মফম খূদিংমক্তা সিজ ফায়র লাউথোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০০২দা নাগাগী তোপ তোপ্পা পুৱারী শকখঙখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং টি ঐচ মুইভাগী লীচিং মখাদা সোভরেন্টি স্যের তৌরগা ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতাংদা কুমজা ২০১৫দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগা মীয়ামগী য়াইফগদবা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়বা ময়েক শেংলে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেরোল অসিনা হায়, নাকল অনীনা চহী ২০ ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকপগী তানফম য়ৌরক্লবা মতমদা নৌনা লিংখৎপদা ঙাইরিবা এন এন পি জি তরুক্লা এন টি সী অমসুং এ সী এ য়ু টিগী মতেং লৌরগা খুরৌ থাংহন্নবা হোৎনরক্লে।

মুইভা অমদি খোলে কোনয়াক তানরমদনা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎলোই হায়না ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা থাজবা পীরক্লে। ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা য়ৈখাই থিঙ্গাইরকপা পূম্নমক মায়োক্লবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরগনি হায়নসু আর এন রবিনা কনভিনরদা থাজবা পীরকখি হায়রি।

## কেবিনেটনা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): সিল্ক ইন্দষ্ট্রিগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং জাপান লৈবাক অনীগী মরক্তা পুন্না রিসর্ছ তৌমিন্নবগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীনবগী মতাংদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা খন্ন-নৈনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেটনা সেন্ট্রেল সিল্ক বোর্দ ইন্দিয়া অমদি নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রো বাইওলোজিকেল সাইন্স জাপান্না সিল্ক ৱর্ম অমদি সিল্ক ইন্দষ্ট্রিগী মতাংদা কোলাবোরেতিব রিসর্ছ তৌনবগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিংগী মতাংদা কেবিনেটনা খন্নখি। ইন্দিয়াগী ট্রোপিকেল কন্দিসন অসিদা সিল্ক ৱর্মগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা মফম ওইরি। এম ও য়ু অসি সাইন্টিফিক অমদি টেক্নিকেল নেচরদা ওইগনি। মসিনা সিল্ক ৱর্ম অমসুং সিল্ককী ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহনবদা মতেঙ পাঙগনি। এম ও য়ু অসিনা সিল্ককী প্রদক্টশিং পুথোকপদা খুমাং চাওশিনগনি অমদি ক্বালিটি হেনগৎহনগনি হায়বগী মীৎয়েং থল্লি।

## লম-তু শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ : নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা শিন্দুনা ঙসি রিমস হোস্পিটালগী কেম্পস তরু-তনান্না থম্নবগী ৱাখল্লোন্দা নোংমগী ওইবা লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা রিমসকী ডাইরেক্টর ডা: এ শান্ত, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট সিঐচ অরুনকুমারসু শরুক য়াখি। চাওরাক্লা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ অসিগী মীওই ১০০ রোম্না লম-তু শেংনবা রিমসতা লাকপদা ডাইরেক্টর ডা: এ শান্তনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি হায়রি।

## ৱার্করস কনফরেন্স

*লামায় ১গী মখা...*সী এম ও ইবোবী, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, এক্স দেপ্যুটি সী এম এম এল এ গাইখঙম, এম পি, এম এল এশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াগনি। কাউন্সিল্লর অমদি পার্টি অসিগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

## এম পি, এম এল এশিংগী ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈহল্লি। অসিগুম্বা অহেনবা কেসশিং অসি চপ মান্নবা কোর্টশিংসিনা য়েংশিনগদৌরিবনি।

নখোয়না (সেন্টরনা) হৌজিক অনৌবা কোর্টশিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেম-শাগদবনি, গভর্ন্মেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা বজেটকী চাদা অমা নৎত্রগা অনীদমক জুদিসল সিষ্টেমদা চাদিং তৌরি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অসিনা হায়খি। লোয়ননা সেন্টরনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা পায়খৎপনা লোইশিনবা নৎত্রগা পায়খৎপা ঙমদনা লৈরিবা য়াল্লবা কেসশিং লোইশিনবদা মতেং পাংগনি হায়না বেঞ্চ অসিনা মখা তাখি। এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনু-গোপালনসু ফাষ্ট ট্রেক কোর্টশিং লিংখৎপা হায়বসি হৌজিক্কী ফিভমসিদা য়াম্না তঙাইফদ্রে হায়খি।

## 'কাঙলূপ মশেল তোখায় তানগদবা...

*লামায় ১গী মখা...* শেমগৎলগনি। খুঙ্গং অসিদা চেক পোষ্ট অমা হাংদোকপগা লোয়ননা লূপা ক্রোর ৩৩ চঙনা চুড়াচান্দপুর-বেহিয়াং রোদ শেমগৎলগনি হায়নসু মহাক্লা চুড়াচান্দপুর মীয়ামদা থাজবা পীখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, জিরিবামদগী মিজোরাম ফাওবা লম্বী শেমজিন্নবগী মতাংদা নেসনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ডিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই ডি সী এল) না ডি পি আর অমা শেমগৎলে। অথুবা মতমদা চীংগী ডিষ্ট্রিক্টশিংদা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী ষ্টাফ ক্বার্টর শারগনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নহারোলশিংদা কান্নগদবা থৌরাং লৌখৎনবগীদমক লূপা ক্রোর ৩৫ ষ্টার্টঅপ প্রোজেক্টকীদমক খাল্লে।

ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা নাৎকী ওইবা জগোই উৎখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকখি। থৌরম অদুদা মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ, এল জয়েন্তকুমার অমদি করাম শ্যাম লোয়ননা হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন টি টি হাওকিপসু ৱা ঙাংখি।

# জিরিবামগী সী এস ওশিংনা পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): অপুনবা জিরিবাম মৈরা পায়বীগী ওফিসতা জিরিবামদা লৈবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি মহৈরোয়শিংগী লুপশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা পাওগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখিবদা লোয়ননা সী এস ওশিংনা পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবা কয়া ফোঙদোরক্লি।

পাওগী মীফম অদুদা অপুনবা জিরিবাম মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এস সুসিলনা ফোঙদোকখিবদা জিরিবামগী ওইনা ঙসি মখোয়না ঈ এল পি এসকী ঈহৌ কনশিল্লকপা মতম অসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা ফষ্ট গেটনি হায়রিবা মফম অসিদা জিরিবাম পুলিসনা ফোরেন্সের চংবা থিংনবা অকনবা মওংদা মীতোপশিং চঙশিল্লকপা থিংদুনা লৈরিঙে মতমদা ঙরাং জিরি পুলিস ষ্টেসনদা মীতোপ মীয়ানচা কয়া অহিং লেপ্লবা মতুংদ জিরিবামগী হলহনখিবগী মহুত্তা থা অসিগী ১১ দা টাটা ট্রক অমদা হাপ্পয়নি। ত্রিভেনি কন্সত্রক্সনগী পারন কুমার কৌবা মীওই অমনা থবক শুনবা পুরকপনি হায়না মীওই ৪৫ অসি টাটা ট্রক অদুদা টারপুলিন্না কুপশিল্লগা লোৎনা রেলৱেগী থবক শুনবা পুরকপা মীওই ৪৫ অদু গুলার্থোনদা লৈবা মীওইশিংনা চীংনদুনা য়েংলুবদা টারপুলিন্না কুপশিন্দুনা মীওইশিং অদু পুনবা হোৎনরম্নুনি।

জিরিবাম পুলিসকী মকোক থোংবনা অয়াবা পিবগী মতুংইন্না পুবনি হায়না পারন কুমারনা ফোঙদোরকপা অসি জিরিবাম মীয়াম্না হকচিন্না লৌই। দোকুমেন্ট শুদনা চঙনবা হোৎনরম্বা থৌওং অসি য়ানিংদে। মীয়ামগী ওইনা লাইবক থিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জিরি দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি দিনেসনা ফোঙদোকখিবদা, দোকুমেন্ট শুবা চঙনবা হোৎনবা থৌওং অসি ১৮ রোমগী অঙাংশিংবু থবক শুনবা পুরকপা হায়বসি কদম তৌবনো হায়বা ৱাফম লাক্লি। কম্পেনী অসিদা তৌরিবা মওংশিং থিদোকপা তাই। রেলৱেগী থবক শুনবনি হায়দুনা কম্পেনীগী লেট্টর হেদ, দোকুমেন্ট শুদনা মমীং পঙহাপ্পা হাপ্পগা মণিপুররোমদা চঙশিল্লক্লিবা অসি মতম চানা থিংহৌবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

জে সী আই এল পি এস জিরিবাম ব্রাঞ্চকী চেয়রমেন হেমন্ত মুতুমনা ফোঙদোরকপদা, ঙরাংগী থৌদোক অসি য়াম্না লায়বক থিবনি। থৌদাং লৌগদবা মণিপুর মীয়ামগী থবক তৌরিবা লৈঙাক্কী ওইবা পুলিস দিপার্টমেন্টনা জিরিবামদা চঙলকপা মীওইশিং অসিবু পুলিসতা থম্লগা ইম্ফাল্লোমদা পুথোক্লবা হোৎনরম্নদগী জিরিবামগী সী এস অমদি মীয়াম্না ফাখি। পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নদুনা পুথোক্লবা হোৎনখি।

ত্রিভেনি কন্সত্রক্সনগী একাউন্টেন্ট হায়জবা পারন কুমারনা ফোঙদোরকপদা, জিরিবাম পুলিস জিরি পুলিসতা ৱারী শানরবা মতুংদা লাকখি। পুলিসকী অয়াবা লৌদুনা ইম্ফালরোমদা চংনবা হেক্কা হকখি হায়রি। শক্তাক চে হেক্তা চঙহন্নবা হোৎনবা থৌওং অসি পেন্দে। মীতোপ মীয়ানচাশিং মণিপুরদা চঙশিল্লকপগী থংবা পুন্না হোৎনসি। জিরিবামদা লৈরিবা ফোরেন্সের পুলিস চেক পোষ্ট অসিদা অহানবা ষ্টাফ হাপ্পুনা চেকিং কম্পেনীগী থৌওং লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুপী মরুপকী এদভাইজর ওইরিবা হামাম থৌনিনা ফোঙদোরকপদা, জে সী আই এল পি এস অমদি জিরিবামগী সী এস ওশিংনা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা হিংনবা হোৎনখ্রে পুলিস অমদি মীয়ামগী ৱাখল অমিন্নদুনা অমা লাক্কিবসি করিগীনো হায়বা ৱাফম লাক্লি। মীয়ামগী পেন্দবা লাক্লিবসি পুলিসকী অশোয়বনি। মীতোপ মীয়ানচাশিং চঙশিল্লক্লিবসি পুলিসনা চেকশিনগদবনি। মীতোপশিং থাজিনবগী থবক মখা তানা তৌরবদি তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): নেসনল কাউন্সিল ওফ এদ্যুকেস্নেল রিসর্ছ এন্দ ট্রেনিং (এন সী ঈ আর টি) অমদি কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা টেক্নিক ওফ পেপর সেট্টিং এন্দ ইভাল্যুয়েসনগী ৱার্কশোপ ঙসি জি পি ৱুমেন্স কোলেজদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী চ্যেয়রমেন এল মহেন্দ্রনা হায়খি, ৱাহং শেন্বা অমদি ইভাল্যুয়েসন্নচিংবগী টেক্নিক্লুচিংবা অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। হীরম অসিগী মতাংদা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথুগদৌরিবা ৱার্কশোপ অসিদা রিসোর্ছ পর্সন কয়ানা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংগদৌরি। লৈবাক অসিদা কম্মন সিল্লেবস অমা চৎনরকপা য়াবগী ফিভম কয়াসু লৈরি। এন সী ঈ আর টিগী চৎন-কাঙলোন মখাদা মণিপুরদসু ইভাল্যুয়েসন অমসুং পেপর সেট্টিংগী ওইবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. মাইস্নাম বিদ্যাসাগরনা হায়খি, এন সী ঈ আর টিগা খুৎশম্নরগা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। ৱার্কশোপ অসিদা এন সী ঈ আর টিদগী রিসোর্ছ পর্সন কয়ানা শরুক য়ারি। এন সী ঈ আর টি ন্যু দিল্লিগী প্লান্নিং এন্দ মোনিটরিং দিভিজনগী হেদ প্রোফেসর এ দি টিৱারি, এন সী ঈ আর টিগী প্রোফেসর আর কে পরাসর, রিজনেল ইন্সটিট্যুট এদ্যুকেসন ভোপালগী প্রোফেসর রামাকর রাইজাদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন আজমরগী ডা. কে চন্দ্রসেখর অমদি শিল্লোংদগী ডা. সক্রুপা পলিটসু রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়ারি। মণিপুরদগী রিসোর্ছ পর্সন ৭২ রোমসু শরুক য়ারি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা কোলেজ, হায়র সেকেন্দরি অমদি স্কুলগী ওজা কয়াসু ৱার্কশোপ অসিদা য়াওরি। কাউন্সিলনা অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসি তোয়না শীন্নবা হোৎনবদা ফন্দগী খুদোংচাদবা লৈবনা অৱাবা খরদি মায়োক্লে। অদুবু অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসি কুমজা ১৯৯৫, ২০০৩ অমসুং ২০১৬ দসু পাঙথোকখি। মসিগী মতুংদা হন্দক অমুক পাঙথোক্লিবনি। এন সী ঈ আর টি ন্যু দিল্লিনা ৱার্কশোপ অসিগীদমক শেন্থং পীবীরকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা জি পি ৱুমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. বি লালহরি শর্ম্মা অমদি এন সী ঈ আর টিগী প্রো. এ দি টিৱারিসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। ৱার্কশোপ অসিগী ঙসি অহৌবগী একাদেমিক সেসনদা প্রো. এ দি টিৱারিনা নেসনল করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ককী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

## লান্না শাজিল্লম্বশিং লৌথোক্লবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱেদা লম খোপচিন্দুনা শাজিল্লক্লিবা বিল্ডিং, ফেক্তরি, রেষ্টুরেন্ট, এদভর্টিজমেন্ট হোর্দিংনচিংবশিং লৌথোকপীয়ু হায়না এন ঐচ আই এনা আপিল তৌরক্লি।

নেসনল হায়ৱে পরিংদা লান্না লম খোপচিন্দুনা শাজিল্লক্লিবা কয়া অসিনা সেফটি হাজার্দ ওইহল্লি। লান্না এদভর্টিজমেন্ট হোর্দিংনচিংবা কয়া থেৎচিনবা অসিনসু ড্রাইভরশিংদা অকায়বা থোকহল্লি। নেসনল হায়ৱেদা লান্না শাজিল্লিবশিং অসি নেসনল হায়ৱে (লেন্দ এন্দ ট্রাফিক) এক্ট ২০০২ গী মতুং ইন্না চৈরাক ফঙনিংঙাই ওই। নেসনল হায়ৱেদা লান্না গাড়ী পার্ক তৌশিনবনচিংবা কয়া অসিসু চুমদে হায়নসু এন ঐচ এ আইগী চেরোল অমনা হায়রি।

# হেল্ঠ মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): সী ঐচ সী নুংবাগী অৱাৎ অপা কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা হেল্ঠ দিরেক্তোরেটকী এদিস্নেল দিরেক্তর শ্যামসুন্দরনা লুচিংবা নেগোসিয়েসন টিম অমা থা অসিগী ১ দা নুংবাদা থারক্তুনা দিমান্দ কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অমদি মীৎয়েং চঙবীরকপগীদমক হেল্ঠ মিনিষ্টরবু থাগৎলি হায়না নুংবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী চ্যেয়রমেন অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুংবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী দিমান্দশিংগী মনুংদা সী ঐচ সী নুংবাদা চাইল্ড স্পেসিয়েলিষ্ট অমদি গাইনোকোলোজিষ্ট অমা য়াওনা দোক্তর ১১ রিগ্যুলর পোষ্টিং তৌহনবা, অলট্রাসাউন্দ অমদি এক্সরে মেছিন ফঙ্কসন তৌহনবা অমদি ফার্মাসিষ্টকী রিগ্যুলর পোষ্টিং পীবা হায়বনচিংবনি। হেল্ঠ মিনিষ্টরনা হেল্ঠ দিরেক্তোরেটকী এদিস্নেল দিরেক্তর শ্যামসুন্দরনা লুচিংবা টিম অমা থা অসিগী ১ দা নুংবাদা থারক্তুনা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা পীখি। নুংবাদা ব্লদ বেঙ্ক অমা থম্বীনবা মীৎয়েংসু চঙবীয়ু হায়রি।

সী ঐচ সী অসিগী ষ্ট্রকচরশিং নীংথিনা শেম্বীবা অমদি ষ্টাফশিংগী ক্বার্টর শাবীবগী থবক অথুবদা পায়খৎপীয়ু। নুংবা এরিয়াগী মীয়ামগীদমক তঙায়ফদনা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। দি সী নোনে, এস দি ও নুংবা, এস দি পি ও নুংবা, সোসল ওর্গনাইজেসনশিং, নুংবা এরিয়াগী ভিলেজ ওথোরিটিশিংনা মীটিং অদুদা সপোর্ট পীবীবগীদমক নুংঙাইবসু ফোঙদোক্লি।

সী ঐচ সী নুংবাগী মেদিকেল ষ্টাফশিংনা মশাগী মথৌদা চাং নায়না থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীয়ু। নুংবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু মপুং ফানা সপোর্ট তৌগনি। ষ্টাফশিংগী সেফটিগীদমক থবকশিং পায়খৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পোত্থাখ্রবা মীওইনি: য়ু এন এল এফ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): মণিপুর পুলিসকী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা থা অসিগী ১০ দা কুমুদা এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ফারে হায়রিবা সাপম মনাওতোন (ইনাওতোনমচা) এলিয়জ শান্তিকুমার (৪৪) পার্টিদগী পোথারবা মীওইনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম শকহেন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সাপম মনাওতোন এলিয়জ শান্তিকুমার অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মনি, কৈবী কুমুদা মনিং লৈকায়দা লৈবা মীওই অসি য়ু এন এল এফকী লান্মী শঙলুপ মণিপুর পীপলস আর্মি (এম পি এ) দা কুমজা ১৯৯৭/৯৮ তা ট্রেনিং লৌদুনা সেকেন্দ লেফটিনেন্টকী থাক ফাওবা থবক তৌরম্মী। মহাক্কী সর্ভিস নম্বরনা ৫৭১/১৩ নি। অদুবু মহাক্কী লোয়নবীনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদগী ইমুং মনুং অমদি লৈহৌরিবা অঙাংশিং য়েংশিনবা ঙম্নবগীদমক য়ু এন এল এফ অমদি এম পি এদগী চহী অসিমক্কী ওগষ্ট থাদা পোত্থাখ্রবা মীওইনি। মরম অদুনা মনাওতোন (ইনাওতোনমচা) গা য়ু এন এল এফ অমদি এম পি এগা মখা তানা করিগুম্বা মখল অমগী মরী অমত্তা লৈনদ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএন এস): স্কাইলার্ক ম্যুজিক বেন্দ ককচিংনা শীন্দুনা ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

স্কাইলার্ক ম্যুজিক বেন্দ লীংখৎখিবগী মাপনশুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা কাঙলুপ খায়দোক্তবা লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবা থৌরম অদুদা ককচিং অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই ১৫ রোমনা শরুক য়াদুনা ঈশৈ চাংদম্নখি। মদুদা হিয়াংলম অৱাং লৈকায়দগী হুইদ্রোম প্রিতমনা অহানবা, ককচিং চুমনাং লৈকায়দগী ময়াংলম্বম রোবর্তনা অনীশুবা অমসুং ৱাবগাই কদাজিৎ অৱাং লৈকায়দগী লেনিরিষ্ট মোইরাংথেমনা অহুমশুবা তাখি।

লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম অদুদা খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গিৎ মহাবিদ্যালয়া ককচিংগী প্রিন্সিপাল ঐচ নবকুমার অমসুং স্কাইলার্ক ম্যুজিক বেন্দ ককচিংগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট য়াম্নেম সৈত্যনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মকোক মথং তাখ্রবশিংদা অশিন অরাংগী মায়কৈদগী মনা ওইনা মথংশিংনা অহানবা পোজিসনদা লুপা লীশিং মঙা, অনীশুবদা লীশিং অহুম অমদি অহুমশুবদা লীশিং অনীগা লোয়ননা শকখঙচে অমদি মেমেন্তো পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।